# য়ুক্রেনগী মতাংদা ম্যুনিটচতা ঈ য়ু, য়ু এস, রুসিয়া খোন কন্নখ্রে




*ম্যুনিটচ, ফেব্রুৱারি ১ঃ* য়ুক্রেনদা থোক্লিবা রাজনিতিগী চরাংনবা ফিভম অসিগী মতাংদা খন্নবদা য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়ন অমদি য়ু এসনামিচং ওইরগা রসিয়াগা খোন কন্না ঙাংনখ্রে। খন্নবা অদুদা য়ুরোপিয়ান কাউন্সিলগী প্রসিদেন্ট ভান রোম্পুইনা হায়খিবদা য়ুক্রেনগী তুংলমচৎ য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়নগা পুনবদা লৈ হায়না ফোঙদোকখ্রে।

য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ স্টেট জোন কেরিনসু য়ুক্রেনদা হৌজিক দেমোক্রেসিগীদমক চংশিল্লিবা লাঞ্জং অসি য়ু এসনা শৌগৎলি হায়না ফোঙদোকখি।

রুসিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টর সর্গে লাভরোবনদি য়ুক্রেনদা চংশিল্লিবা ভাইওলেন্স য়াওবা ৱাকৎ খোঙজংশিং অসি অচুম্বনি হায়না কনখৎলিবা পুম্নমক মচিন মরৈ অনি লোংবনি হায়না মরাল শীখি। রুসিয়ানা য়ুক্রেনদা পীগনি হায়বা তেংবাং অমগীদমক য়ুক্রেননা ই য়ুগী একোর্দ অমা য়াখিদবা মতুংদগী ইরাং অসি হৌরকখিবনি।

সিক্যুরিটি কনফরেন্স অদু য়ুরোপিয়ান কাউন্সিলগী প্রসিদেন্টনা ওপনিং স্পিচ অমা পীদুনা হৌদোকখি। খন্ন–নৈনবা অদুদা রুসিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টর লাভরোবনা দিমোক্রেসি চাওখৎহন্নবনি হায়বগীদমক লম্বী লমজাওদা ভাইওলেন্স য়াওবা ৱাকৎ খোঙজং চংশিন্নবা ইনশিল্লবদি করি মতৌ কৌই হায়না হংখি। য়ু এসকী মায়কৈদগী জোন কেরিনা ময়াই অমসুং নোংপোক থংবা য়ুরোপতা য়াম্না নুংঙাইতবা ফিভম অমা কন্না থোক্লি হায়না ফোঙদোকখি।

মফমশিং অসিদা মীয়ামনা নিংজবা পামজবশিংবু করপ ওইবা ইন্টরেষ্টশিংনা নেৎখাইরি। করপ ওইবা ইন্টরেষ্টশিংনা শেলবু পোলিটিকেল ওপোজিসন থোকহন্নবা খুৎলায় ওইনা শীজিন্নরি। অদুগা পোলিটিসিয়ানশিং অমসুং মেদিয়াবু লৈদুনা নিং–তম্না অচুম্বা ৱায়েল তানবগী মঙম্বু শোন্থহল্লি হায়না ফোঙদোকখি।

য়ুক্রেনদা হৌজিক ওইরিবা অসিগুম্না দেমোক্রেসিগী অমদি য়ুরোপগী তুংলমচৎকীদমক চখবা লাঞ্জং অসিদগী হেন্না মরুওইবা অমা মফম কদাইদসু লৈতে হায়নসু কেরিনা ফোঙদোকখি।

চংশিল্লিবা লাঞ্জং অসিদা য়ু এস অমদি য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়ননা য়ুক্রেনগী মীয়ামগীদমক লেপ্লি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

য়ুক্রেনগী মীয়ামনা চাওখৎপা অমদি খুদোংথিনিঙাই ওইদবা লৈবাক অমদা নিংতম্না হিংবা পাম্নরি। মখোয়গী অশাশিং থুংহনবদা মতেং পাংগদবা মপাংশিংগা পুঞ্জনবগী হক অদুগীদমক মখোয়না লাঞ্জং অসি চথরিবনি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

রুসিয়াদা মচেক য়ৈবা ৱারোল অমদা য়ুক্রেন মীয়ামগী তুংলমচৎতি লৈবাক অমখক্কী খুবাম মনুংদা লৈফম থোক্তে হায়নসু কেরিনা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা রুসিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টর লাভরোবনা হায়খিবদা য়ুরোপকী শক্নাইরবা পোলিসিয়ান খরনা মরৈবাক মরমদমদা অসিগুম্না আইন থুগাইদুনা চংশিনবা খোঙজংশিংদদি অথুবা মতমদা চৈরাক পীনবা হোৎনরগা য়ুক্রেন্দনা অসিগুম্বা থৌওংশিংবু মখোয়না শৌগৎলিবসি করিগীনো হায়না হংবগা লোয়নননা গভর্নমেন্ট বিল্ডিংশিংবু খুদুম চনশিল্লগা পুলিসতা এটেক তৌদুনা স্লোগান লাউবশিংবু কন্দেম তৌবা ৱাহৈশিং ঐখোয়না তাফম থোক্তবরা হায়নসু মহাক্না হংখি।

# থাইলেন্দ মীখল মাঙওইননা নোংমৈ কাপ্লখ্রে



*বেঙ্কোক, ফেব্রুৱারি ১ঃ* লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা পাঙথোক্লবা লেপখ্রবা মীখল অসিগী মাঙওইননা থাইলেন্দগী কোনুং বেঙ্কোক্তা এন্টি গভর্নমেন্ট প্রোটেষ্টরশিংসু য়াওবা খুৎ থোক্লবা থৌদোকশিংদা মীওই কয়ামরুম নোংমৈনা পান্দুনা শোকখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর য়িংলুক সিনাৱাত্রাবু শৌগৎপশিং অমদি য়াদবশিংগী মরক্তা কন্না মুক্নরকপদগী ভাইওলেন্স থোক্লকখিবনি।

ৱাকৎলোইশিংনা গভর্নমেন্টকী বেলোট পেপরশিং থম্বা বিল্ডিং অমা ব্লোকেদ তৌরুবদগী নোংমৈ কাপ্লকখিবনি। ওপোজিসননা নোংমাইজিংগী মীখল অসি য়িংলুক সিনাৱাত্রানা চাওনা মায় পাকখিবা য়াবগী ফিভম লৈবদগী মীখল অসিবু বোইকোট তৌবগা লোয়নননা বেলোট পেপরশিং অদু মীয়ামদা য়েন্থোকপা য়াদনবা খোঙথাং অমা চংশিল্লকখিবনি।

বেঙ্কোক্কী লাকসি দিষ্ট্রিক্টতা থোকখিবা থৌদোক অসিদা ওটোমেটিক নোংমৈশিংদগী কাপ্লকপা মরুশিংনা বিল্ডিংশিংদা পাল্লগা থকতোরকপদা ৱাকৎলোইশিংগী মরক্তা অশোক অপন থোকখিবনি হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

মদুদগী অওক–অথোম তৌদুনা কাপ্পরকপদা লম্বীদা চৎপশিং অমদি রিপোর্টরশিং কায়দুনা চেন্নখি। অদুগা লম্বীদা অশোকপা মীওই কয়ামরুম য়েংবিনবা লৈতনা তাদুনা লৈবা উখি হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

শোকখিবশিং অদু গভর্নমেন্টপু শৌগৎপশিংলা নত্রগা য়াদবশিংলা হায়বা শেংনা খঙদোকপা ঙমদ্রি হায়রি।

থাইলেন্দ আর্মিনা মমাংদা হায়খিবা ৱাফম অমদা নোংমাইজিংগী মীখল অসিগীদমক বেঙ্কোক্তা দিপ্লোই তৌগদবা লান্মীগী মশিং হেনগৎপা তারি হায়না ফোঙদোকখ্রবনি।

পুলিস পার্সোনেল লিশিং ১০ রোমসু মীখলদা অশোই অঙাম থোক্তনবা লম্বীদা কুংনা পেট্রোল্লিং চৎনবা শেম শারি। লিখুন অমনা হায়বদা মীখল নুমিৎ অসিদা অপুনবা পোল্লিং ষ্টেসনশিংগী চাদা ১০ গুম্বদি হাঙদোক্তুনা মীখল চথবা ঙম্লোই হায়না ইলেক্সন কম্মিস্নারনা হায়খিবা ৱাফম পল্লদুনা ফোঙদোরক্লি।

চংশিল্লিবা ৱাকৎ ঈহৌ অসি মরুওইনা মীখল মমাংদা প্রাইম মিনিষ্টর য়িংলুক সিনাৱাত্রা মফম থাদোকহল্লগা মীখলদা কাবা নত্তবা মীওইশিংনা শেম্বা পিপলস কাউন্সিল অমনা লৈঙাক থৌদা পুহনগদবনি হায়বসিনি।

অতোপ্পা ৱাফম অমনা প্রাইম মিনিষ্টর অসিগী মবুং থাকশিন সিনাৱাত্রাবু থাইলেন্দদা অমুক হল্লকপা য়াহনগদৌবা য়েৎননিঙাই ওইরবা এমনেষ্টি বিল অমা থাইলেন্দগী লৱার হাউসনা শৌগৎখিবগী মতুংদগী ৱাকৎ ঈহৌ অসি মমাং চহিগী নভেম্বর থাদগী ওপোজিসনশিংনা হৌরকখিবনি।

# খা সুদানদা এম এস এফ ৱার্করশিং হিংনবা চেন্নরে

*য়ুবা, ফেব্রুৱারী ১ঃ* খা সুদানদা খুদোংথিবা নংলবা মীয়ামগী তেংবাংনবা থবক তৌরিবা এম এস এফ হায়বা মেদিকেল চেরিটি অমনা হায়বদা, মখোয়দা পুক্নিং লুমদবা মতৌ অমা কন্না ফাওরকপদগী মসিগী ষ্টাফ ২৪০ রোম মথ্বাই হিংনবা নারক মোংশোংদা চেন্দুনা লোৎনরে হায়না ফোঙদোকখ্রে।



য়ুনিটি ষ্টেটতা থোক্লিবা হাৎন–শুনবগী খুদোংথিবা মরক্তগী নান্থোক্লবা মীওই লিশিং কয়ামরুম চেন্নবদা এম এস এফকী ৱার্করশিংসু য়াওরে হায়না চেরিটি অসিনা ফোঙদোরক্লি।

পাউ অদুনা মখা তানা হায়া, খা সুদানগী গভর্নমেন্ট ফোর্সশিং অমদি মখোয়গী মায়োক্তা লৈবা আর্মি ফেক্সনশিংগী মরক্তা হৌখিবা দিসেম্বর ১৫ দগী অফং–অফংবা হাৎনবা হৌরকখিবনি। থৌদোকশিং অসিদা মীওই লিশিং কয়ামরুম শিখিবগা লোয়ননা চাওরাক্না মীওই ৭০০,০০০ রোমসু ময়ুম লৈফম লৈনদ্রে ।

মমাং চয়োলদা নোংমৈ কাপ্পা লেপ্পবগী য়ানরোল অমা লৈখিবগা লোয়ননা খুৎ থোক্নরিবা মায়কৈ অনিগী শান্তিগী ৱারীসু লাক্লিবা ফেব্রুৱারী ৭ তা মখা অমুক চথনবা লেপ্পখ্রবনি।

খা সুদানগী প্রসিদেন্ট সলভা কিয়ারনা মহাক্কী মায়োক্তা মিলিটরি কু চথনবা হোৎনৈ হায়না মরাল শীদুনা মফম লৌথোকখিবা মহাক্কী দিপ্যুটি রিয়েক্ট মচারবু শৌগৎপা আর্মি ফেক্সনশিংগা গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংগা হৌজিকসু লেপ্তনা খুৎ থোক্নরি।

প্রসিদেন্ট সলভা কিয়ারবু কু চথনবা হোৎনৈ হায়না মরাল শীখিবা অদুবু হান্নগী ভাইস প্রসিদেন্ট অসিনা য়াখিদবগা লোয়ননা মহাক্না ঙসি ফোঙদোকখিবদা মমাংদা শেমখিবা সিজ ফয়ার অদু কায়হন্নবা গভর্নমেন্টনা মঙোন্দা মরম চাদবা মরাল কয়ামরুম শীজিল্লি হায়না ফোঙদোকখ্রবনি।

অমরোমদা এম এস এফকী হেদ ওফ মিসন ওইবা রাফেল গোরগ্যুনা হায়বদা লিয়র টাউনদা লোকেল ষ্টাফশিংনা ঙল্লিবমখৈ মথৌ তৌনবা হোৎনরকখিবনি। অদুবু হৌখিবা নুমিৎ হুম্নি অসিদদি ফিভম কা হেন্না ফৎচিল্লক্তবদগী অনাবশিংবু হোস্পিটালগী মপালদা থোকহল্লম্লগা ষ্টাফশিংনা মথ্বাই হিংনবা নারক মোংশোংশিংদা চেনশিন্নখিবনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

# কোনরেদ ব্লেককী ওর্দর ওফ কানাদা লৌথোকখ্রে



*মোন্ট্রিল, ফেব্রুৱারি ১ঃ* কানাদা গভর্নমেন্টনা মীওই অমদা পীবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা মনা ওইরিবা ওর্দর ওফ কানাদা হায়বা মনা অসি হান্নগী মেদিয়া বেরোন কোনরেদ ব্লেকতগী অমুক লৌথোকখ্রে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

ব্লেক অসি য়ু এসতা ফ্রাউদ অমদি ওবষ্ট্রক্সন ওফ জষ্টিসকী চার্জদা চহি অহুম কৈশুমশঙদা লৈরুরগা ইং ২০১২ দা থাদোরকখিবনি।

লোর্দ ব্লেক অসি য়ু কেগী হাউস ওফ লোর্দসকী মেম্বর অমসু ওইরিবনি। মহাক্কী লাইফ টাইম এচিভমেন্ট অমবু শকখঙদুনা ইং ১৯৯০ দা ইকাই খুম্নবগা লোয়ননা ওর্দর ওফ কানাদা হায়বা মিংথোল অসি পীখিবনি।

ঙরাং কানাদা গভর্নমেন্টনা থোকপা চেরোল অমদা হায়খিবদা ওর্দর ওফ কানাদাগী এদভাইজরি কাউন্সিল অমনা পুখৎলকপা রিকম্মেন্দেসন য়াদুনা ওর্দর অসিগী ওফিসতগী লোর্দ ব্লেকপু লৌথোকপদা অয়াবা পীখিবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

কানাদাগী ক্বিন্স প্রিভি কাউন্সিলদগীসু লোর্দ ব্লেক অসি মমাংদা লৌথোকখ্রবনি। ক্বিন্স প্রিভি কাউন্সিল হায়বসি শক্নাইবা কানাদা মচাশিংগী বোর্দ অমনি হায়বগা লোয়ননা কানাদাগী হেদ ওফ ষ্টেট ওইরিবা ক্বিনগী এদভাইস তৌনবা মীওইশিং বোর্দ অসিনা হাপ্পনি হায়নসু লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

মোন্ট্রিলদা পোকখিবা অদুগা হৌজিক্না টোরোন্টোদা লৈবা লোর্দ ব্লেক অসি কানাদাগী টেলিভিজন শো হোষ্ট তৌবনি। মতম অমদা মহাক্না হায়বা দেলি টেলিগ্রাফ অমদি চিকাগোস টাইমস হায়বা নুংতিগী ফোংবা পাউ–চে অনি পব্লিস তৌবা হোলিঙ্গর ইন্টর্নেস্নেল অসি কন্ট্রোল তৌরম্বনি।

ইং ২০০৭ তা পাউ–চেশিং য়োনবদগী ফংলকপা দোল্লর মিল্লিয়ন কয়ামরুম শেরান্নবা থৈদোকখিবদা অতোপ্পা একজিক্যুটিভ খরগা লৌতুনখি হায়বগী মরাল লোর্দ ব্লেকনা ইং ২০০৭ তা মায়োক্লখি।

# কালিফোর্নিয়াদা শাথিবা ইকং মায়োক্লরে



*সেক্রামেন্টো, ফেব্রুৱারী ১ঃ* কালিফোর্নিয়াগী ৱাটর এজেন্সিনা লাউথোরকপা ৱাফম অমদা এজেন্সি অসিনা মমাংদা অমুক্তা থেংনখিদ্রিবা ফিভম অমদা ইকংগী ফিভম শাথিবা হেঞ্জিল্লকপদগী লোকেল এজেন্সিশিংদা ঈশিং সপ্লাই তৌবা ঙমদ্রে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

থা অসিগী অঙনবা শরুক্তা খ্বাইদগী চাওবা রিজার্বোয়র অমগী ঈশিংগী চাং রেকোর্দ ওইবা য়ানা নেমখিবদগী ষ্টেট শিনবা থুংনা ইকং থোক্কে হায়না লাউথোকখিবনি।

পনবা য়াবদি ষ্টেট রেসিদেন্টশিংগী শরুক অহুম থোকপগী অনিরোমদি থক্নবা অমদি ইথৈ লৌখোংগী ঈশিং এজেন্সি অসিদগী ফংবনি। ফোরকাষ্টরশিংনা হায়খিবদা ইং ২০১৪ অসি কালিফোর্নিয়াগী খ্বাইদগী ঈশিং ৱাবা চহি ওইগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ওইরিবা কা হেন্না কংবা ফিভম অসিদগী লাম্মৈ চাওনা চাক্লবগী মরম ওইদুনা লোস এঞ্জেলিস এরিয়াদা য়ুম কয়ামরুমসু লাম্মৈনা চাকপদা য়াওখ্রবনি। মমাংদা থোকখিবা কা হেন্না কংবা পন্থা অমদসু মাং তাক্লিঙাই ওইবা লম্নক্কী মৈনা কালিফোর্নিয়াদা ইং ২০০৩ অমদি ২০০৭ তা শাথিবা মৈহৌ লাংপোক নংহনখিবনি। অদুগা হন্দক ৱাটর এজেন্সি অসিনা জেরো এলোকেসন হায়না লাউথোক্লিবা ঈশিং পীবা ঙমদবগী ফিভম অসি এজেন্সি অসিগী ইতিহাসতা খ্বাইদগী অহানবনি হায়রি। খুদোংচাদবা অসিনা কালিফোর্নিয়াগী মীওই মিল্লিয়ন ৫ দা চৈথেং পীগদৌরি।

# জষ্টিন বিবরগী প্রাইভেট জেট দ্রগ চেক তৌখ্রে



*নিয়োর্ক, ফেব্রুৱারী ১ঃ* য়ু এস লো এনফোর্সমেন্টকী লিখুনশিংনা হায়বগী মতুংইন্না কানাদাগী পোপ সিঙ্গর জষ্টিন বিবরগী প্রাইভেট জেদ অদু স্নিফিং দোগশিং য়াওনা দ্রগ য়াওব্রা হায়বগী চেক তৌরগা য়ু এসতা অমুক তাবা য়াহনখ্রে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা হল্লকপদা প্লেন অদুদা আইননা য়াদবা দ্রগ অমত্তা ফংদবদগী মহাক্কী মথক্তা চার্জ অমত্তা য়ু এস কষ্টমস ওফিসিয়েলশিংনা থাঙ্গৎখিদ্রে হায়রি। অদুবু ওফিসিয়েলশিংনা নহা ওইরিবা শৈশকপা অসিগা মহাক্কা লাকমিন্নবা পেসেঞ্জরশিং পুম্নমকপু পুং কয়ামরুম ৱাহং পাউহংদি চথখি হায়রি।

প্লেন অদুবু থিবা হুম্বগী থবক অদু বিবরনা মমাংদা চখোক চৎশিন তৌবদা গঞ্জাগী মনম নমখি হায়বগী থাজবা অমদা য়ুম্ফম ওইদুনা য়ু এস কষ্টমস ওফিসিয়েলশিংনা চথখিবনি।

নিউজর্সিগী টিটরবোরো এয়ারপোর্টতা তারকখিবা মহাক্কী প্লেন অদুদা অতোপ্পা পেসেঞ্জর কয়া য়াওবগে অদুগা কনা কনানো হায়বদি শেংনা খঙবা ঙমদ্রি হায়নসু লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

এয়ারপোর্ট ওঠোরিটিগী ৱাঙাংলোই অমনা হায়বদা লোকেল টাইমদা নুংথিল পুং ৮.২০ চৎপা মতমদা য়ু এস কষ্টমসনা বিবরবু থাদোকখ্রে হায়না খঙহল্লকখি হায়রি।

মসিগী মমাংদা ইরাই নুমিৎতা লোস এঞ্জেলিসকী কন্টি দিষ্ট্রিক্ট এটর্নিগী ওফিসনা বিবলগী মরুপ অমবু মমাং থাদা চখখিবা রেইদ অমদা দ্রগ লৈরম্বা থেংনখিবগীদমক চার্জ তৌখি। মরুপ অদু লোস এঞ্জেলিসকী অৱাং নোংপোক্তা মাইল ৩০ রোম চৎলগা কালিফোর্নিয়াগী কালাবাসাসতা লৈবা বিবরগী ময়ুমদা থেংনখিবনি।

জেবিয়র স্মিঠ (২০) হায়বা বিবরগী মরুপ অদু এম দি এম এ অমদি ওক্সিকোদোনগা লোয়ননা ওঠোরিটিনা থেংনখিবনি।

দিষ্ট্রিক্ট এটর্নিগী ৱাঙাংলোই অমনা হায়বদা মশাগী চহি ১৯ দা ঙাইরিবা কানাদা মচা শৈশকপা অসি নিশা ঙাওরগা গাড়ী থৌই হায়বগী মরালদা মমাং চয়োলদা মাইয়ামি বিটচতগী ফাখিবনি।

থৌদোক অদুদসু শৈশকপা অসিনা মতম হেল্লবা দ্রাইভিং লাইসেন্স অমা পায়রম্বগা লোয়ননা ওঠোরিটিনা ফাবদা য়াখিদবনি। হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতসু কানাদাগী টোরোন্টোদা লিমোজিন কার থৌবা অমবু খুৎ থাখি হায়বগী মরাল মায়োক্লখিবনি।

# উরুগ্বেগী জোসে মুজিকানা মালেমদা খ্বাইদগী লাইরবা প্রসিদেন্ট ওইরি


প্রসিদেন্ট মুজিকানা পামজদুনা লৈরিবা খাংপোকশঙ


উরুগ্বেয়ান ষ্টেটনা প্রসিদেন্টনা লৈনবা পীবা ফজরবা বিল্ডিং

*মোন্টেবিদিও, ফেব্রুৱারী ১ঃ* উরুগ্বেগী প্রসিদেন্ট জোসে মুজিকানা থা অমদা ফংবা তলবকী শেনফমদগী চাদা ৯০ রোমগী চাংদা লাইর–অনংবশিংদা দান ওইনা পীখ্রগা লৈবাক অসিগী মীওই অমগী চাংচৎতা ওইবা ইনকমগা হায়রপ মান্ননা থা অমদা দোল্লর ৭৭৫ খক শীজিন্নদুনা মালেমদা খ্বাইদগী লাইরবা প্রসিদেন্ট ওইরি।

উরুগ্বেনা মসিগী লৈঙাক মকোক অমদা পীবা ফজরবা চিং লেম্নবা বঙ্গলো অদুদা লৈবগী মহুৎতা প্রসিদেন্ট অসিনা তেক্কদৌরবা ফার্ম অমদা পুন্সি লেল্লি। মহাক্কী শীজিন্ননবা ঈশিং অদু ফার্ম অদুগী শুমাংদা নাপী মরক্তা লৈবা গুহা অমদগী লৌই। অদুগা প্রসিদেন্টকী সিক্যুরিটি ওইনা পুলিস ওফিসার অনিখক্কা মেন্যুয়েলা হায়বা মখোঙ নাম্মা য়াদ্রবা হুই অমগনা মহাক্কী য়ুম অদু শৈন্নে। মালেমগী লৈবাক কয়ামরুমদদি পোলিটিসিয়ানশিংনা লেল্লিবা পুন্সি মরেলগা মখোয়বু মীখলদা থাগৎলকপা মীয়ামগী পুন্সি মরেলগা কা হেন্না খেন্নৈ হায়না কন্না ৱায়াম্নরিবনি।

অদুবু উরুগ্বেগী ওফিসিয়েলশিংনা তঙাইফদনা মশাগী মরল মথুম মীয়ামদা ফোঙদোক্তবা য়াদবগীদমক ইং ২০১০ দা লাউথোরকখিবা প্রসিদেন্ট অসিগী মরল অদু ইং ১৯৮৭ কী ভোক্সৱেগন বিটল কার অমগী মমল ওইনা শুপ্পগী দোল্লর ১৮০০ অসিখক্তমক ওইখি।

মুজিকানা উরুগ্বেগী গেরিলা টুপামারোজ লালহৌদা য়াওদুনা ইং ১৯৬০ দগী ইং ১৯৭০ গী চহিশিং লালহৌবগী পুন্সি ওইনা লেল্লুরবা মতুংদা ইং ২০০৯ দা মীখলদা কারকখিবনি। টুপামারোজ হায়বা গেরিলা লালহৌলুপ অদু ক্যুবান রিভোল্যুসনগী ইথিলদগী হৌখিবা লুপ অমনি। লালহৌ য়াওরিঙৈদা মশাদা নোংমৈনা ৬ লক পানখিবগা লোয়ননা মপুন্সিগী চহি ১৪ কৈশুমশঙদা লেল্লকখিবনি। দিটেন্সনগী অয়াম্বা মতমদি আইসোলেসন অমদি ফিভম চাদ্রবা মরক্তা লেল্লবা মতুংদা ইং ১৯৮৫ দা উরুগ্বেদা দেমোক্রেসি হঞ্জিল্লক্লবা মতমদা মহাকপু কৈশুমশঙদগী থাদোরকখিবনি।

মহাক্না হায়বদদি কৈশুমশঙদা লেনখিবা পুন্সি অদুনা মহাক্না পুন্সিদা য়েংবা মিৎয়েং শেন্নকখি হায়না ফোঙদোকখি।

ঐহাকপু খ্বাইদগী লাইরবা প্রসিদেন্টনি হায়বা হায়, অদুবু ঐদি লাইরবনি হায়না খন্দে। লাইরবা হায়বদুদি চাওনা চাদিং তৌবা পুন্সি মরেল অমা ফংনবগীদমক শেল তানবগী পেনবা লৈতবা অৱাৎপখক্তমক খন্দুনা লৈবশিং অদুনি।

ঐনা লেল্লিবা অসিদি নিংতম্বগী ৱাফমনি। লন থুম কা হেন্না মীহৌরবদি মদুবু ফংনবা মীনাই অমগুম্না শু–নোম্বা তাই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকই।

প্রসিদেন্ট অসিনা লেল্লিবা পুন্সি মরেল অসি মালেমগী মরুওইবা লিদর অয়াম্বনা লেন্নরিবা ফিভমগা য়েংনবদা শাথিনা খেন্নৈ। উরুগ্বেয়ান ষ্টেটনা মসিগী লিদরশিংদা পীবা অকে–অমৌনা থনবা য়ুম অদুবু থাদোক্লগা মোন্টে ভিদিওগী ফক্তবা লম্বী অমগী মপানদা লৈবা মহাক্কী লোয়নবীগী ফার্ম হাউস অমদা ময়ুম ওইনা লৈদুনা মবান্নিনা ফার্ম অদুগী ইঙ্খোল কোয়দুনা লৈ–শুনচিংবা থাই। ইং ১৯৭৩ দা প্রসিদেন্ট জুৱান মারিয়া বোরদাবেরিনা কু চথদুনা লৈঙাক মুল্লবা মতুংদা জেলদা থমজিনখিবা রিবেলশিংগী মরক্তা মুজিকাসু য়াওবদগী চহি ১৪ কৈশুমশঙদা লেল্লুরবা মতুংদা ইং ১৯৮৫ দা কন্সটিট্যুস্নেল গভর্নমেন্টনা হল্লকপদগী মহাকপু থাদোরকখি। অদুগী মতুংদা গেরিলা তুপামারোজপু লেজিটিমেট পোলিটিকেল পার্টি অমা ওইনা ওন্থোরকপদা মুজিকানা অচৌবা থৌদাং লৌখি।




## SANALEIBAK SUDOKU

Prepared by : ROGER -A

SANALEIBAK SUDOKU-142

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | 5 | 9 | 8 | | | |
| 6 | | | | 2 | | | | 8 |
| | 4 | | | | | 1 | | 5 |
| 1 | | | | | 2 | 9 | 4 | |
| | | 9 | | | | | 3 | |
| 3 | 5 | | | | | | | |
| | | | 2 | 6 | 1 | 3 | | |
| | | 1 | | | | | | |
| | | | | | | | 5 | |

YESTERDAY SOLUTION

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | 3 | 7 | 6 | 2 | 1 | 4 | 9 | 5 |
| 5 | 6 | 9 | 8 | 4 | 7 | 1 | 3 | 2 |
| 4 | 1 | 2 | 5 | 3 | 9 | 6 | 8 | 7 |
| 2 | 7 | 5 | 4 | 1 | 3 | 9 | 6 | 8 |
| 6 | 9 | 3 | 2 | 7 | 8 | 5 | 4 | 1 |
| 1 | 8 | 4 | 9 | 5 | 6 | 7 | 2 | 3 |
| 7 | 4 | 8 | 1 | 9 | 2 | 3 | 5 | 6 |
| 3 | 5 | 6 | 7 | 8 | 4 | 2 | 1 | 9 |
| 9 | 2 | 1 | 3 | 6 | 5 | 8 | 7 | 4 |

**FILL THIS BLANK:**
*9 x 9 grid by using digits 1 - 9 without repeating in the same row, column, box or diagonal. The number already given cannot be changed.*